**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 26-02-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভল্লানা হায়রি- লমদম অসিগী পাৎশিং য়াওনা ঈশিং লৈবা মফমশিং মাংহনদনা থমবা হোৎনবা তঙাইফদে।

২) মণিপুরগী রাজ্যপালনা নুমিৎ তরেৎনিগী মনুংদা আইননা য়াদবা খুৎলায়শিং পীখৎলকবা খঙহনখিবা ঙসি ৬ নি শুবা নুমিৎতা য়াল্লবা খুৎশু খুৎলায় কয়া সরেন্দর তৌরকখ্রে।

৩) নাগা তাবা মফমশিংদা ঙমখৈ শম্বল খাবীগনু হায়বা ৱাফম য়াওনা তোঙান তোঙানবা তকশিন ৱারোলশিং য়াওবা চেরোল অমা অন্সমনা রাজ্যপালদা পীশিনখ্রে।

৪) চহি ১৪৪ মনুংদা অমুকখক পাঙথোকপা, মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী চাউবা লাইনিং লাইশোলগা মরী লৈনবা কুম্ভ কুম্ভ মেলা ঙসি লোইশিনখ্রে।

অমসুং

৫) উপ-রাষ্ট্রপতি জগদিপ ধনখরনা হায়রি- হরাউ কুম্ভোনা নাৎ চৎনবী ঙাক্কুনা থম্বদা অচৌবা থৌদাং লৌরি।

------

রাজ্যপাল (এল) ঃ রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভল্লানা হায়রি- লমদম অসিগী পাৎশিং য়াওনা ঈশিং লৈবা মফমশিং মাংহনদনা থমবা হোৎনবা তঙাইফদে।

মহৌশানা পীরম্বা ফজবা মফমশিং অমদি নাৎ-চৎনবীগা শাগোন্নবা মফমশিং নিংথিনা ঙাক শেন্দুনা থমগদবনি।

ৱাফম অসি মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী ওদিতোরিয়মদা ঙসি হোংলক্লিবা অঙ্গৈং অশাগী খলনা মহৌশাগী পোখোকশিং অমদি নাৎ চনবীগা শাগোন্নবা মফমশিংদা পীরক্লিবা চৈথেং হায়বা হিরমদা পাঙথোকপা জাতি থাক্কী খন্ন-নৈনবা অমা হৌদোকপগী থৌরমদা রাজ্যপালনা ফোংদোকখিবনি।

থৌরম অদু মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী লাইফ সাইন্সেস দিপার্টমেন্ট (বোটনি) অমসুং ইন্তরনেসনেল কাউন্সিল ফোর বাহওদিতোরেসন ওফ কলচরেল প্রোপরতি, লখনৌনা- নেসনেল ইন্সটিট্যুট ওফ ইকোলোজি, লোক্তাক দিভলপমেন্ট ওথোরিতি অমদি রাজ্যগী ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেত চেঞ্জ বিভাগকা পুন্না খুৎশমদুনা পাঙথোকপনি। থৌরম অদুগী অথোইবা মীথুং ওইখিবা রাজ্যপাল আজয় ক্মার ভল্লানা হায়- অঙ্গৈং অশা অমদি নোংজ্ নুংশাগী খল কাইথরকপদগী মীওইবা খুনাইদগী পীরক্লিবা চৈথেংশিং থেংননবা ভারত য়াওনা তোঙান তোঙানবা লৈবাক কয়ানা লেপ্পা লৈতনা হোৎনরি। মসিনা পীবা চৈথেংগী মনুংদা ঐখোয়গী লৈজরম্বা নাৎ চৎনবীগা শাগোন্নবা মফমশিং মাংহন তাকহনবা থেংনরি। কেন্দ্র সরকারনা রাজ্য সরকারশিংনা খুৎশমদুনা অঙ্গৈং অশাগী খল কাইথরকপদগী পীবা চৈথেংশিং মায়োকনবা থৌরাং কয়া পায়খৎলি। মদুগী মনুং চন্না ইনভাইরোনমেন্ট অমদি ফোরেষ্ট মন্ত্রালয়না নুংশা মঙালদগী মৈ লৌনবা থৌরাং পায়খৎখিবা, ঈশিং য়োকশিনবা অমদি মৈ-ঈশিং মরম চানা শিজিন্নবনচিংবা থৌরাং কয়া পায়খৎলি।

মহাকা হায়- রাজ্য অসিদসু পাৎ য়াওনা ঈশিং লৈবা মফম কয়া মরাং কায়না লৈরম্মী অদুবু ঙসিদি নোংম নোংমগী মাংশিল্লকপগী মমি তারি। মসিগী মনুংদা লোক্তাক পাৎ পীকশিল্লকপা অসিসু অমনি। ঈশিং লৈবা মফমশিংদা য়োকখৎপদা নত্তনা ঐখোয়গী অকোইবগী ফিভম ঙাক শেন্দুনা থম্বা হায়বসি খ্বাইদগী মরুওইবা অমনি। ঙসিদগী হৌদোক্লিবা নুমিৎ হুমিগী খন্ন-নৈনবা অসিদা ওজাশিং, থৌশিল থৌরাং শেম্বদা শরুক য়ারিবশিং, অকোইবগী ফিভম কন্ননবা হোৎনরিবা মীওইশিং অমদি নাৎ চৎনবীগী মফমশিং য়োকখৎতুনা থমবা থবক্তা

শরুক য়ারিবা মীওইশিং য়াওনা পুমমকা অনৌবা ব্রাখল্লোন কয়া পুথোক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ। মসিনা অঙ্গৈং অশা অমদি নোংজ্ নুংশাগী খল কাইরকপনা পীরিবা চৈথেংশিং মায়োকবদা কান্নবা পীরগনি।

থৌরম অদুদা লোক্তাক দিবলপমেন্ট ওথোরিতিগী চেয়ারমেন-এম. অশিনিকুমার সিংহ, রাজ্যগী প্রিন্সিপাল চীফ কঞ্জারবেটর ওফ ফোরেষ্ট অমদি হেদ ওফ ফোরেষ্ট ফোর্স-অনুরাগ ভাজপায় অমদি মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর-প্রোফেসার এন লোকেন্দ্র সিংহ শরুক য়াখি।

সরেন্দর (এল)ঃ রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভাল্লানা নুমিৎ তরেৎনিগী মনুংদা আইননা য়াদবা খুৎলায়শিং পীখৎলকবা খঙহনখিবা ঙসি ৬ নি শুবা নুমিৎতা ইম্ফাল ইষ্ট, থৌবাল, বিষ্ণুপুর অমদি ককচিং জিলাগী তোঙান তোঙানবা পুলিস ষ্টেসনশিং অমদি সেন্ত্রেল সেক্যুরিতি ফোর্সকী কেম্পতা য়াল্লবা খুৎশু খুৎলায় কয়া সরেন্দর তৌরকখ্রে।

ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী খুন্দ্রাকপম কেন্দ্রগী মনুং চনবা পুখাওগী মৈরা পায়বী অমদি খুল ঙাক্কুনা লৈবা খুঞ্জাশিংনা শগোলমাংদা লৈবা অসাম রাইফলসকী কেম্পতা খুৎশু খুৎলায় কয়া শিন্নরকখি।

মদুগী মনুংদা মেগজিনগা লোয়নবা নাইন এম.এম করবাইন ১, থ্রি নোট থ্রি রাইফল ১, তুয়েল্ভ বোর দবল বেরেল অমা, কন্ত্রি মেদ রাইফল অমা, ট্যুব লোঞ্চিং মঙা, ইন্সাস নোংমৈগী মেগজিন অমা য়াওনা হেন্দ গ্রেনেদ অমদি তোঙান তোঙানবা খুৎশু খুৎলায় কয়া শিন্নরকখিবনি হায়রি।

বিষ্ণুপুর জিলাগী ওইনা ফুবালা পিছ কমিতিগী খুথাংদা ঙসি য়াল্লবা খুৎশু খুৎলায়শিং বিষ্ণুপুর জিলাগী এস.পিদা শিন্নখ্রে। খুৎলায়শিং অদুদা স্পাইপ্পর রাইফল অমা, কাপ্পা য়ারিবা মরু ৩২, পোইন্ট থ্রি টুগী পিষ্টোল অমা অমসুং তুয়েল্ভ বোর পম্প এক্সন গন অমা য়াওরি।

থৌবাল জিলাগী এস.পিদসু ঙসি য়াল্লবা খুৎশু খুৎলায় কয়া খুৎশিন্নরকখি। মদুগী মনুংদা রেজিষ্টর নম্বর য়াওরিবা থ্রি নোট থ্রি রাইফল অমা, মেগজিন য়াওবা মার্ক থ্রি- থ্রি-নোট-থ্রি রাইফল অমা, রেজিষ্ট্রেসন নম্বর য়াওবা করবাইন অমা,

ফোরতি এম.এম লেথোদ গন অমা য়াওনা তোঙান তোঙানবা খুৎশু খুৎলায় কয়া য়াওরি।

ককচিং জিলাগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈবা পুলিস ষ্টেসনগী খুত্থাং খুৎশিন্নরকপা নোংমৈ য়াওনা খুৎশু খুৎলায় কয়া ককচিং জিলাগী এস.পি. ওফিসতা পাউমীশিংগী মমাংদা পুথোক্তুনা উৎখি। মদুগী মনুংদা সিঙ্গল অমদি দবল বেরেল রাইফল, এস.এল.আর অমদি থি নোট থ্রি রাইফলনচিংবা নোংমৈ কয়া য়াওনা নোংমৈ মরু, বোম অমদি তোঙান তোঙানবা খুৎশু খুৎলায় কয়া য়াওরি।

পাউমীশিংগা উন্নবদা ককচিং জিলাগী সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস থোকচোম বিক্রমজিৎনা খুৎশু খুৎলায়শিং অসি পীখৎলকবা হোৎনবদা জিলা অসিগী ইমা ইবেল অমদি নহাশিংনা মতেং পীরকখিববু থাগৎপা ফোংদোক্লি। মখা তানাসু সেক্যুরিতি ফোর্সনা পায়খৎলকপা থবকশিংদা মতেং পাংবীনবা আপীল তৌরি।

জষ্টিস (এল)ঃ চহি ৬০ গী মথক্তা লৈবা মীওইশিংগী তঙাইফদনা চংদবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং মশাদা ফংহন্নবগী পান্দমদা ঙসি এসেসমেন্ট কেম্প অমা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী কোন্থৌজম মমাং লৈকাইদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদু সোসিয়েল ৱেলফ্যার বিভাগনা কম্পোজিৎ রিজনেল সেন্তর ফোর স্কিল দিভলপমেন্ট, রিহেবিলিতেসন এন্দ ইম্পৱারমেন্ট ওফ পার্সন ৱিথ দিসএবিলিতিজ, জষ্টিস কমিতি ওন এঙ্গলো মণিপুর ৱার ১৮৯১ মার্টিরস অমদি ফ্রিদম ফাইটর ওফ কংলৈপাক মণিপুরগা খুৎশমদুনা পাঙথোকপনি।

থৌরম অদুদা জষ্টিস কমিতিগী চেয়ারমেন- জোয়চন্দ্র কোন্থৌজমনা হায়- মণিপুরদা থোক্লিবা ৱাথোক অসিদা মরম ওইরগা হৌরক্লিবা নহাশিংগা তুংগী পুন্সি করি ওইগদগে খঙদবা অমদি লমদমসিগী শেনমিৎলোনদা চাউনা চৈথেং পীরিবা অসিদা অখন্নবা মীৎয়েং চংবগী তঙাইফদবা লৈ।

অন্সম (এল)ঃ ওল নাগা ষ্টুদেন্টস এসোসিয়েসন মণিপুর (অন্সম)গী মীহুৎ

কাংবু অমনা রাজ্যপাল আজয়কুমার ভল্লাগা উন্নদুনা তোঙান তোঙানবা তকশিন ৱারোলশিং য়াওবা চেরোল অমা পীশিনখ্রে।

ইম্ফালগী রাজ ভবনদা ঙসি অন্সমগী মীহুৎ কাংবু অদুনা রাজ্যপালগা উন্নরবা মতুংদা মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা লুপ অসিগী প্রসিদেন্ট টি.ঐচ. অংতেসাং মরিংনা হায়- রাজ্যপালগা উন্নবা অদুদা পীশিনখিবা তকশিন-ৱা চেরোল অদুদা য়াওখিবা ৱাফমশিংগী মনুংদা ভারত-ম্যান্মার ঙমখৈগী নাগা তাবা মফমশিংদা শন্বল খাবগী থবক খুদক্তা লেপকদবনি। আইনগী ৱাংমদা রাজ্য অসিদা চংশিল্লকপা কাংলোন কায়না লোন্না চংশিল্লকপা মীতোপশিং মশক খঙদোকবা নেসনেল রেজিষ্টর ওফ সিতিজন (এন.আর.সি) চৎনহনবা তঙাইফদে। নাগা তাবা মফমশিংদা ফ্রি মুভমেন্ট রেজিম চৎনহনগদবনি হায়বা দাবী অসিগা লোয়ননা রাজ্য অসিদা থোক্লিবা ইরাং অসি অথুবা মতমদা লোইশিন্দুনা শান্তি পুরকবা হোৎনবীয়ু হায়না তকশিন-ৱা চেরোল অদুদা পনখি হায়রি।

ৱার্কসোপ (এল)ঃ ওনলাইন প্লেটফোর্ম স্বায়মগী খুত্থাংদা মহৈ মশিং তম্বগী থবক খুমাং চাওশিনহনবা অমদি তাকপী তম্বীবা হায়বা হিরমদা নোংমগী ওইবা খন্ন-নৈনবগী মীফম অমা ঙসি ইম্ফাল ইষ্টকী খুরাইদা লৈবা এন.জি. মনি কলেজদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসি কলেজ অসিগী আই.কিউ.এ.সি অমদি মণিপুর য়ুনিভর্সিতিনা পুন্না খুৎশমদুনা শিনবনি। থৌরম অদুদা মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী রেজিষ্ট্রার- প্রোফেসার দব্লিউ. চান্দবাবু, য়ুনিভর্সিতি অসিগী স্বায়ম কোওর্দিনেটর প্রোফেসার ঐচ. বসন্তকুমার শর্ম্মনচিংবা মীওই কয়া শরুক য়াখি। মদুদা রিছোর্স পার্সনশিংনা স্বায়মগী মতাংদা ৱা ঙাংখি।

মৈ (এল)ঃ এম.এস.পি.দি.সি.এলগী ওফিসার অমদি ষ্টাফশিংনা তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা ঙসি রেইদ চত্থবদা মৈ লান্না শিজিন্নরম্বা কঞ্জুমর ১২ ফাগৎখ্রে।

এম.এস.পি.দি.সিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়- রেইদ অদুদা কঞ্জুমর অনিগী মৈ ককথৎখি। রেইদ অসি তোঙান তোঙানবা মফশিংদসু মখা তানা

চৎথখিগনি।

চান্দেল (এল)ঃ   লৈবাক শিনবা থুংবদা চত্থবা ইন্তেন্সিফাইদ স্পেসিয়েল নোন-কম্ম্যুনিকেল দিজিজ স্ক্রিনিং কেম্পেনগী শরুক অমা ওইনা ঙসি  চান্দেলগী নেসনেল প্রোগ্রাম ফোর নোন-কম্ম্যুনিকেবল দিজিজ সেলনা জিলা থাক্কী ওইবা নোংমগী ত্রেনিং প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে। নোন-কম্ম্যুনিকেল দিজিজ পোপুলেসন বেজ স্ক্রিনিং ফোর আশা ৱার্কেরস এন্দ এ.এন.এম হায়বা হিরমদা ত্রেনিং প্রোগ্রাম অদু দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতালদা পাঙথোকখিবনি।

ককচিং (এল)ঃ    ককচিং জিলাগী ইরেংবন গ্রাম পঞ্চায়টকী মনুং চন্না এন.আর.ই.জি.এস স্কিমগী মখাদা পায়খৎলিবা থবকশিং ককচিং কেন্দ্রগী এম.এল.এনা য়েংশিনখ্রে। য়েংশিনবা অদুদা ঈথৈ লৌখোংশিংগী ফিভম য়াওনা ইবুধৌ ইরুম নিংথৌগী অকোইবদা লৈবা মফমশিং, মরুওইনা ইরেংবন, হৱাইরৌ অমদি মাইরেনবমদা পায়খৎলিবা পেবর ব্লোক থাবগী থবকশিংসু য়েংশিনখি হায়রি।

লমতা (এল)ঃ    লমদম অসিদা ঙল্লিঙৈ মতমদগী চৎনদুনা লাক্লবা লমতা থাংজগী শরোই খাঙবগী থৌরম পাঙথোকবা শেম শাবা হৌখ্রে। মথং থাগী চৈচৎ ১ লমতাগী অহানবা থাংজ নুমিৎতা শরোই খাঙবগী থৌরম পাঙথোক্কদবা মফমশিং লাইনিংথৌ সনামহি টেম্পল বোর্দকী নিংঙোল অমদি পিবা লোইশঙগী থৌমীশিংনা শিৎ শেংখি। মফমশিং অদুদি তেরাগী ৱাংথোনবী পুং, খুরাইগী অহোং পুং, কোংবা সৌদোং পুং অমদি ককৱাগী লমদাই পুংনি।
পোইরৈ (এল)ঃ   খুল ঙাকপশিং ফাবগী থবক চত্থরক্লিবা অসি খুদক্তা লেপ্পু হায়না পোইরৈ লৈমারোল মৈরা পায়বী অপুনবা লুপনা থল্লক্লি। খোয়াথোংগী কম্ম্যুনিতি হোলদা ঙসি পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা লুপ অসিগী প্রসিদন্টে- শোরাইশম মেমচানা হায়- মণিপুরদা রাষ্ট্রপতি সাসন লাকখ্রবা মতুংদা খুল ঙাকপশিং ফানবা কোইতান তান্নরকপা অসি লাইবক থিবনি। খুল ঙাকপশিংনা

লমদম অসিবু কনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবনি। মণিপুর কন্নবগীদমক খুল ঙাকপশিং ফাবা অমদি কোম্বিং ওপরেসন তৌবীগনু।

অমরোমদা, সেক্যুরিতি ফোর্সনা মতম চানা ইরাং লাকশিনহৌদবদগী হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসি য়ৌরকখিবনি। সরকারনা  মতম চানা থবক পায়খৎতবদগী মরমদম কঞ্জনবা খুল ঙাকপশিং থোরকপনি। মখোয়বু ফানবা হোৎনবা অসি য়াফম থোক্তে। হিরম অসিদা লমদম অসিগী মীয়াম চপ মান্ননা লেপমিন্নগদবনি। মসিদা নুপী ওইবীশিংনা অচৌবা থৌদাং লৌবা তঙাইফদে হায়না পাউগী মীফম অদুদা শরুক য়াখিবি ওল মণিপুর ৱিমেন্স ভোলুন্তরি এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট ৱাই. কুঞ্জরানিনা ফোংদোকখি।

কুম্ভ ঃ   চহি ১৪৪ মনুংদা অমুকখক পাঙথোকপা, মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী চাউবা লাইনিং লাইশোলগা মরী লৈনবা কুম্ভ কুম্ভ মেলা ঙসি লোইশিনখ্রে। লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদগী লাকপা মীওই কয়ানা ঙসি অরোইবা নুমিৎতসদু প্রয়াগরাজদা লৈবা ত্রিবেনি সঙ্গম অমদি অতোপ্পা মফমশিংদা ইরুপখি। মমাং থাগী ১৩ দগী হৌখিবা কুম্ভ অসিদা চাউরাকা মীওই কোতি ৬৪ লাখ ৬০ হেনবনা মেলা অসিদা লাকখি। কুম্ভ অসিগীদমক কেন্দ্র অমদি রাজ্য সরকারনা তোঙান তোঙানবা অখন্নবা থৌরাং কয়া পায়খৎতুনা চৎথোক চৎশিনদা খুদোংচানবা হোৎনখি।

অমরোমদা, এন.দি.আর.এফ, এস.দি.আর.এফ, হোম গার্দস অমদি পুলিসকী পার্সোনেল কয়ানা পুং ২৪ মীকুপ নাহুম শিংনা লৈদুনা মেলা অসিদা থোকহন্নিংদবা থৌদোক থোক্তনবা হোৎনখি।

ধনখর ঃ   উপ-রাষ্ট্রপতি জগদিপ ধনখরনা হায়রি- হরাউ কুম্ভনা নাৎ চৎনবী ঙাক্তুনা থম্বদা অচৌবা থৌদাং লৌরি।

ৱাফম অসি অরুনাচল প্রদেশকী কামলে জিলাগী বাওসিমলাদা পাঙথোকপা অহানবা য়োকুম য়ুলো থৌরমদা উপ-রাষ্ট্রপতিনা ফোংদোকখিবনি। মহাকা হায়- ভারত অসি মালেমগী ওইনা মাংজিল থাবা লৈবাক অমা ওইরক্লি।

শ্রী ধনখরনা হায়- শেল থুম, ইনফ্রাষ্ট্রকচর অমদি য়াইফ থৌরাং কয়া পায়খৎতুনা মালেমগী অতে লৈবাকশিংগা য়েংনবদা খুমাং চাওশিল্লি।

অরুনাচল প্রদেশকী হাইদ্রো পৱারগী মতাংদা পল্লদুনা উপ-রাষ্ট্রপতিনা হায়- রাজ্য অসিদা মৈ মেগাৱাট লিশি ৫০ পুথোকপা ঙম্বা হাইদ্রো পৱার ষ্টেসনশিং লৈ। মৈ মেগাৱাট ১ পুথোকবা হোৎনবদা লুপা কোতি ১০ চংই। রাজ্য অসিগী ওইনা হাইদ্রো পৱার সেক্তরদা পুন্না লুপা কোতি লাখ ৫ রোম থাদরি।

থৌরম অদুদা কেন্দ্রগী পার্লিয়ামেন্টরি এফ্যারস মন্ত্রি কিরেন রিজিজ্না হায়- প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী লিচিং মখাদা অরুনাচল প্রদেশতা অহোংবা কয়া পুরকপা ঙমলে। মহাকা হায়- ত্রান্স অরুনাচল হাইৱে অথুবা মতমদা শেমগৎতুনা জিলাশিংগী হেদক্বাটরশিং ফাওনবা ঙমহল্লগনি। মসিগীদমক কেন্দ্র সরকারনা লুপা কোতি লিশিং ৪২ কাইথোক্লে।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

ক্রিকেট (এল)ঃ ৯ শুবা এম.এন.সি.এ. ডব্লিয়ু পরহাদা এন্দ ডব্লিয়ু রামানন্দা এলিট টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা পি.টি.আর.সি পাৎশোই পার্ট ফোরনা রেজ খ্বাই নাগামপাল লমাবম লৈকাইবু ৱিকেট ৪ দা মায়থিবা পীখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদনা ক্রাউ খমাম বজারনা কে.সি.সি কোংবা বজারবু রন ১৭ তা মায়থিবা পীখ্রে।

ক্রিকেট (এল)ঃ ১২ শুবা টি-টোইন্তি মনিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা কে.সি.সি কোংবনা বি.কে.সি.সি বামোনকম্পুবু ৱিকেট ৯ দা মায়থিবা পীখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদনা ৱাই.দব্লিউ.সি লংথবালনা এল.সি.সি.সি লিলোং চজিংবু ৱিকেট ৬ তা মায়থিবা পীখ্রে।

মরিশুবা এম.এন.সি.এ. সেনিয়ার ৱিমেন্স ৱান ত্রোফি ২০২৪-২৫গী ঙসি শান্নখিবা লিগ মেটচতা থাউ থাংমৈবন্দনা ফোর্স ক্ষেত্রিগাউবু রন ২১৪ দা

মায়থিবা পীখ্রে।

ফুটবোল (এল)ঃ দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন বিষ্ণুপুরগী মীৎয়েং মখাদা ইশোক ফুটবোল ক্লবনা শিনবা অনিশুবা ঐচ. পাম্বোইবী দেবী এন্দ ঐচ. তোম্বা সিংহ মেমোরিএল অন্দর থারতিন বোইজ ফুটবোল লিগ ঙসি ইশোক প্লে গ্রাউন্দদা শান্নিখিবা মেটচতা টি.ৱাই.দি.এনা ক্রাউবু পাঞ্জল ১-০ দা মায়থিবা পীখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদনা ইশোক এফ.সি অমদি খুনফম য়ুথ ভোলুন্তরি ওর্গনাইজেসন এন্দ সোসিয়েল ৱেলফ্যার সেন্তর পাঞ্জল ১-১ চন্নদুনা দ্রো ওইখ্রে।

হেন্দবোল (এল)ঃ মণিপুর হেন্দবোল এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা সার্ভিস রিক্রেসন এন্দ ওর্গনাইজেসন ওফ য়ুথ শিংজমৈ থোঙাম লৈকাইনা শিন্দুনা পিশুম হাও গ্রাউন্দদা ঙসিদগী ৩৬ লক শুবা ষ্টেট লেবেল মিনি বোইজ এন্দ গার্লস
হেন্দবোল চেম্পিয়নসিপ ২০২৫ হৌদোকখ্রে। তুরনামেন্ট অসিদা নুপাগী টিম ১১ অমদি নুপীগী টিম ৮ শরুক য়ারি।

------